য়ু এন রাইটস চীফনা কাশ্মিরিশিংগী হক ঈকাইখুন্নবা, ঙাক্লনবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানদা আপিল তৌখ্রে

জিনেভা, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ ন্যু দিল্লিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল স্টেটস লৌথোকখিবগী মতূংদা য়ুমথংনবা পাকিস্থানগা উংখৎনরকখিবা অদুদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস চীফ মিচেলে বাচেলেটনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাশ্মিরি মীয়ামগী হক শোয়দনমক ঈকাইখুন্নবা অমসুং ঙাক্লবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানদা আপিল তৌখ্রে।

য়ু এন হায়-কমিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস বাচেলেটনা ইন্দিয়াবু আসামগী নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) ভেরিফিকেসন অদুনা মীওই অমত্তবু ষ্টেট লৈতবা ওইহন্দনবসু আপিল তৌখি।

কাশ্মিরগী মতাংদা মহাক্কী ওফিসনা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী নাকন অনীমক্তা লৈরিবা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভমগী মতাংদা মখা তানা পাউ ফংলি। হন্দক ইন্টরনেট কম্যুনিকেসনশিং অমসুং মীয়াম শান্তি ওইনা পুনবদা অথিংবশিং থমজিনবা অমসুং মফমদুগী পোলিটিকেল লূচিংবশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিং ফাজিনবা য়াওনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কাশ্মিরিশিংগী হক কী মথক্তা পীরিবা শাফু অদুগী মতাংদা ঐহাক হচিন্না নুংনাংই হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইট চীফ অসিনা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৪২ শুবা সেসনগী হৌদোকপগী ৱারোল অমা পীখি। মীওইবগী হক ইকোইখুন্নবা অমসুং ঙাক্লবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী গভর্ণমেন্টশিংনা ঐহাক্না মখা তানা আপিল তৌবসিদা ঐহাক্না মরুওইনা ইন্দিয়াদা মীয়ামগী বেসিক সার্ভিসশিং ফংহন্নবা ফাজিন্দুনা থল্লিবশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং লোয়নমক ঈকাইখুন্নবা মদুদা থল্লিবা অথিংবশিং নৎত্রগা কর্ফ্যুশিং কোমথোকহন্নবা আপিল তৌরি হায়খি।

কাশ্মির মীয়ামগী তুংগী মতমদা শাফু পীরক্কদবা ৱারেপ লৌবগী খোঙথাংশিংদা মখোয়গা খন্নবা অমসুং মখোয় য়াওহনবা মরুওই হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুথৎখিবা অদু ইন্দিয়াগী মনূংগীওইবা হিরমনি হায়বা অচেৎপা ৱাফম থম্লদুনা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু দায়ত্বা লৈতবা ৱাঙাংশিং অমসুং ইন্দিয়াগী মনূংগী ওইবা হিরমশিংদা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা কায়হৌবগী ৱাজাও ঙাংবগীদমক কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হন্দক আগষ্ট ৩১দা ফোঙখিবা অসামগী এন আর সি ফাইনেল লিষ্ট অদুদা মীওই লাক্ষ ১৯ লোমগী মীং য়াওরকখিদবা অদুনা য়ান্না চাওনা তন্বা ঙমদবা অমসুং পূক্নিং লৈতাদবা অমা থোকহনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টতা আপিলশিংগী প্রোসেস মতমদা আইনগী মতুংইন্না অচুম্বা থবক চত্থদুনা দিপোর্টেসন নৎত্রগা টিটেন্সন তৌদনবা অমসুং ষ্টেট লৈতবা ওইগদবদগী মীয়ামবু শোয়দনমক ঙাকথোক্লবা আপিল তৌখি।

থাগী লৈমাইদা লেন্দর বিক্রম করিমতা অকাই অতোয় থোক্তনা মশা অমত্তা ওইনা লৈরি ঃ ইশ্রো

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ আশা মাঙবা তৌদনা, ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো)না হার্দ -লেন্দিং অমা তৌখিবগী মতূং থাগী লৈমাইদা হৌজিক তাদুনা লৈরিবা চন্দ্রয়ান - ২কী বিক্রম লেন্দর অদুগা অমুক হন্না পাউ ফাওনবা ঙন্নবা হোৎনবা য়াবা পূন্নমক মখা তানা হোৎনরি।

মনূংদা রোভর প্রগ্যান হাপখিবা বিক্রমনা থাগী লৈমাই মথক্তা সুপ্নগী কিলোমিটর ২.১ খক্তা ঙাইরবা থাংজগী অঙনবা পূংজাদা অরোইবা তারমদাই মতম অদুদা গ্রাউন্দ ষ্টেসনশিংগা কম্যুনিকেসন তৎনখিবনি।

ওর্বিটরগী ওন-বোর্দ কেমেরাদা থারকখিবা ইমেজশিংগী মতূং ইন্না হান্না থৌরাং তৌখিবা লেন্দিং তৌনবগী মফম অদুগা য়ান্না নকন্না লেন্দর বিক্রমনা হার্দ -লেন্দিং অমা তৌখি। লেন্দর অদু মফম অদুদা পোৎ মশা মত্তা ওইনা লৈরি, মচেৎ-মচেৎ ওইনা কায়দে। মদু য়ুংখৎতুনা লৈবগী ফিভমদা লৈ হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা মিসন অদুগা মরী লৈনবা ইশ্রো ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

ঐখোয়না হৌজিক লেন্দর অদুগা অমুক হন্না কম্যুনিকেসন শমজিন্নবা য়াত্রা হায়বদু য়েঙনবা থবক পূন্নমক লৌখৎলি হায়না মহাক্না হায়খি।

চন্দ্রয়ান -২ অসি ওর্বিটর অমা, লেন্দর (বিক্রম) অমসুং রোভর (প্রগ্যান)না শাই। লেন্দর অমসুং রোভর অদুগী মিসন লাইফ লুনার ডে ১নি মসি পৃথিবীগী নুমিৎ ১৪নিগা মান্নে।

স্পেস এজেন্সি অসিনা নুমিৎ ১৪নি লেন্দর অদুগা অমুক হন্না পাউ ফাউনবা ঙন্নবা হোৎনগনি হায়না ইশ্রো চিয়ারমেন কে সিবননা থাংজ নুমিৎতা হায়খি অমসুং থাগী লৈমাইদা লেন্দর অদুনা লৈবদু ওর্বিটরগী কেমেরা অদুনা খঙবা ঙমখিবা মতুংদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্না পাউ ফাওনবা ঙন্নবগী আশা অদু অমুকহন্না চেৎনা ফোঙদোকখি।

লেন্দর অদু হিরম খুদিংমক করিমতা কায়দনা লৈবা নৎত্রবদি কন্টেক অমুক তৌননবগী হোৎনবা অদু য়ান্না খুদোঙথিবা ওইগনি। ঙন্নগী তাঞ্জা হেন্না ৱাৎলি। করিগুম্বা লেন্দর অদুনা সোফট-লেন্দিং তৌখিবা ওইরবা অমসুং সিষ্টেম পূন্নমক অদু অকায়বা লৈতনা থবক তৌরবা, অদু খক্তদা কম্যুনিকেসন অমুক হঞ্জিহনবা ঙমগনি। হৌজিক্কী ওইনদি থবকশিং অসি মমি শান্নি হায়না ইশ্রো ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অমুক হন্না পাউ ফাওননবগী থবক অদু ঐহাক্না ফৈ হায়না লৌগনি হায়রদুনা লেন্দর অদু অমুক হন্না হিংগৎলকপগী আশা ৱাংখৎহল্লদুনা স্পেস এজেন্সি অদুগী অতোপ্পা সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অদুবু মসিদা লিমিটেসন কয়া লৈ। জিওষ্টেসনরি ওর্বিটতা কন্টেক মাঙখ্রবা স্পেসক্রাফ অমুকহন্না হিংগৎহনবগী ঐখোয়গী এক্সপরিয়েন্স লৈ। অদুবু লেন্দর বিক্রমগী থৌদোক অসিদা ওপরেসনেল ফ্লেক্সিবিলিটি মখল অদু লৈতে। লেন্দর অদু হান্নগা থাগী লৈমাইদা লৈখ্রে অমসুং ঐখোয়না মদু রিওরিয়েন্ট তৌবা ঙমদ্রে। মরুওইবা পোৎতি এন্টিনাশিং অদুনা গ্রাউন্দ ষ্টেসন নৎত্রগা ওর্বিটর অদুগী মায়কৈরোমদা ওনশিল্লকপা অদুনি। অসিগুম্বা ওপরেসন অসি য়ান্না শাথিনা অরুবনি।

লেন্দর অদুগী পৱার জেনরেসনগীদি ৱাথোক অমা নৎতে। মদুগী অকোয়বা পূন্নমক্তা মাগী সোল্লার পেনেলশিং লৈ। মসিগী মথক্তা করিসু থোইনা শিজিন্নখিদ্রিবা ইন্টরনেল বেটেরিশিংসু লৈ হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

লেন্দর বিক্রমনা রেদিও এনাটোমি ওফ মুন বাউন্দ হায়পর সেনসিটিব আইওনোস্পিয়ার এন্দ এটমোসফিয়ার (আর এ এম বি ঐচ এ), চন্দ্র’জ সরফেস থর্মো-ফিজিকেল এক্সপরিমেন্ট (চাএসটিই) অমসুং ইনষ্ট্রুমেন্ট ফোর লুনার শৈস্মিক এক্টিভিটি (আই এল এস এ) হায়রিবা পেলোদ ৩ সু পুখি।

এ দি বিদগী মহারাষ্ট্রনা দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০ ফংলে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা ঙসি দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০গী লোন অমগী য়ানরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

লোন অদু মহারাষ্ট্রগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৪দা চহী চুপ্পা চৎপা য়াবা লম্বীশিং ফগৎহন্নবা অমসুং রোদ সেফটি হেনগৎহন্নবা লোয়ননা মার্কেট অমসুং সার্ভিসশিংগা হেন্না মরি লৈনহন্নবগীনি।

য়ানরোল অদু মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফিয়ারসতা এদিসনেল সেক্রেটরি (ফন্দ বেঙ্ক অমসুং এ দি বি) শামির কুমার খারে অমসুং এ দি বিগী ইন্দিয়া রেসিদেন্ট মিসনগী দিপুটি কন্ট্রি দাইরেক্টর সব্যা শচি মিত্রগা সহি তৌনখি।

সি পি এম লীদর শ্রীনগরদগী এইমসতা পুরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ শ্রীনগরদা থা অমা হেন্না হাউস এরেস তৌদুনা থম্লকখিবা মশা নারিবা সি পি আই (এম) লীদর এম ৱাই তারিগামি ঙসি নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা ন্যু দিল্লিগী এ আই আই এম এস তা পুরকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ডোক্টর অমা, মরিমতা অমা অমসুং পুলিস ওফিসার অমগা লোয়নরগা মিষ্টর তারিগামি থুংলখি। খ্বাইদগী থুবা মতমদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মিদিকেল সাইন্সেস (এ আই এম এস)তা মহাকপু লায়েংগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা ওর্দর তৌখিবনি।

কম্প্যুটর গেম শান্নবা থিংবা মপা হাৎখ্রে

বেলগাউম, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ করনাতকাগী বেলগাউমদা মোবাইল ফোন গেম শান্নবা থিংই হায়দুনা মীওই অমনা মহাক্কী হেক অপোকপা মপা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

রঘুবির কুম্বর কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী ইমূংগী মীওইশিংবু কা অমগী মনূংদা থোঙ লোনশিল্লগা থমখি অমসুং মহাক্কী মপা শঙ্করবু ফুখি অমসুং মচেৎ - মচেৎ ককথৎখি। মপা শঙ্করনা মাগী ফোন পুরগা চৎখি অমসুং পি য়ু বি জি হায়বা গেম অদু শানদনবা মঙোন্দা হায়রমখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

অঙকপা কিনিঙাই ওইরবা থৌদোক অদু বেলগাউমগী সিদিশ্বর নগরদা ঙসি অয়ুক পূং ৫ রোম তাবদা থোকখিবনি।

ইন্টরনেট কনেক্সন ককথৎপগীদমক রঘুবির কুম্বরনা মহাক্কী মপা শঙ্করবু হাৎখি। মহাকপু পি য়ু বি জি গেম শান্নবা য়াহন্দনবা মাগী ফোন পুরগা চৎখিবগীদমক তমথিনা ফুখি। ইমূং মনূংগী মীওইশিংবু কা মনূংদা থোঙ লোশিল্লগা থম্লবা তূংদা ফমদুনা লৈরিবা মপা শঙ্করবু রঘুবির কুম্বরনা তমথিনা ফুরগা থাঙনা মচেৎ-মচেৎ ককথৎখিবনি।

মহাক হৌজিক ফারগা পুলিস কষ্টদিদা পুরক্লে হায়না বেলগাউম পুলিসনা মখা তারি।

মপা শঙ্কর সুপ্নগী থা ৩গী মমাঙদা পুলিস সার্ভিসতগী রিটয়ার তৌরকখিবনি। মখা তাবা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

চন্দ্রয়ান-২, খা এসিয়াগীদমক অচৌবা খোঙথাং অমনি ঃ পাকিস্থানগী অহানবা নুপী এষ্ট্রোনোট

করাচি, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ নামিরা সালিম, পাকিস্থানগী অহানবা নুপী এষ্ট্রোনোটনা থাগী লৈমাইদা লেন্দিং তৌনবা ইতিহাসিক ওইনা হোৎনখিবা চন্দ্রয়ান-২গী মিসন অদুগীদমক ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন ইশ্রোবু থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোক্লকখ্রে।

কৰাচিদা লৈবা দিজিটেল সাইন্স মেগাজিন ‘সাইন্টিয়া’দা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা নামিরা সালিমনা হায়খি, ঐহাক্না ইন্দিয়া অমসুং ইশ্রোবু থাগী সাউথ-পোলদা বিক্রম লেন্দরনা মায় পাকপা সোফ-লেন্দি অমগীদমক তৌখিবা ইতিহাসিক ওইরবা হোৎনবা অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

চন্দ্রয়ান-২ লুনার মিসন অসি তশেংনমক লমদম অসিগীতা নত্তনা গ্লোবেল সাইন্স ইন্দষ্ট্রি পূম্নবু চাওথোকচহল্লিবা সাউথ এসিয়াগীদমক অচৌবা খোঙথাং অমনি। সাউথ এসিয়াদা স্পেস সেক্টরদা রিজনেলগী দিভলপমেন্টশিং শিংথানিঙাইনি অমসুং স্পেসতা করম্না লৈবাক্না মাঙ থারি হায়বগী ৱাফম লৈতে। পোলিটিকেলগী বাউন্দরি পূন্নমক মাঙখি অমসুং পৃথিবীদা ঐখোয়গী মচেৎ মচেৎ খায়দোক্লিবদু স্পেসতা ঐখোয়না পূসিন্নহল্লি হায়খি।

ভরজিন গেলেক্টিককী মথক্তা স্পেসতা চৎতুনা নারিমা সালিমনা ইহান হান্না স্পেসতা চৎপী পাকিস্থানি নুপীনি হায়না খঙনরিবনি।

মহাক্কী ৱাফমশিং অসি ইন্দিয়াগী মুন লেন্দর বিক্রম অমসুং ওর্বিটর অদুগা অনীগী মরক্তা লেন্দর অদুনা থাগী সাউথ পোলদা থাংজগী অঙনবদা সোফ লেন্দিং তৌগদবা মিনিৎ খরতমক ঙাইরবদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবা অদুগী মতুংদা ফোঙদোক্লকখিবনি।

অদুবু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ইশ্রোনা থাগী লৈমাইদা লেন্দর বিক্রমনা লৈরিবা অদু খঙলে হায়না লাওথোকখ্রে। থাগী অকোয়বদা কোয়না পাইরিবা চন্দ্রয়ান -২ ওর্বিটরনা লেন্দর অদুগী ফোটোগ্রাফশিং লৌরকখ্রে।

থা ১৮-১৯গী মনূংদা ইন্দিয়াদা এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস পীরক্লগনি ঃ রসিয়া

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ রসিয়াগী দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর য়ুরি বোরিসোবনা ইন্দিয়াদা পীগদবা এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমস অদু পীনবা থারিবা অদুগী মতুং ইন্না মতম চপ চানা লৈবাক অসিদা পীরক্লগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

থাক ৱাংলবা খূৎলাই অসিগী মমলগী এদভান্স পেমেন্ট অদু ফংলে অমসুং লেপনখিবা অদুগী মতূংইন্না থা ১৮-১৯গী মনূংদা পোৎ খুদিংমক অদু পীরক্লগনি হায়না রসিয়াগী লৈঙাক্না চল্লাইবা ৱ্রোদকাষ্টর রোসিয়া-১দা য়ুরি বোরিসোবনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাদা ইন্দিয়াগী এক্সটরনেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা রসিয়াগী মহাক্না ফম্মানবা সেরগি লাভরোবকা লৈবাক অনীগী তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবা লম্বীশিং খন্নৈনবগীদমক মোস্কোদা চৎখি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ৫দা ন্যু দিল্লিদা পাংথোকপা ১৯শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এনুয়েল বাইলেটরেল সমিটতা তুংগী অশাংবা মতমগী সেক্যুরিটিগী মথৌতাবশিংগীদমক রসিয়াদগী এস -৪০০ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমস ৫ লৈনবগীদমক ইন্দিয়ানা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৫.৪৩গী দিল অমা রসয়াগা সহি তৌনখিবনি।

হৌজিক মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংলবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা রসিয়াগী এস -৪০০ সিষ্টমশিং অদু য়ু এসকী কাউন্টরিং আমেরিকা’জ এদভরসরিজ থ্রু সেঙ্কসন্স এক্ট (সি এ এ পি এস এ)গী মখাদা য়ু এস সেঙ্কসন তৌরকপা য়াবগী খুদোঙথিবা লৈরবা ফাওবদা রসিয়াগী খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা লোঙ-রেঞ্জ সরফেস টু এয়ার মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু লৈনবা সহি তৌনখিবনি।

এস -৪০০ দিল অদুনা ইন্দিয়াবু রসিয়া, ইরান, নোর্থ কোরিয়াদগী দিফেন্সকী পোৎলমশিং লৈবদা অথিংবা থম্বা সি এ এ টি এস এ লোগী মখাদা সেঙ্কসন তৌনিঙাই ওইহনগনি হায়না সেনিয়ার ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েলশিংনা ইন্দিয়াদা চেকশিন্নবা হায়খিবনি।

এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম অসি মশা মতোমতনা নৎত্রগা অতোপ্পা রাদরশিংদগী দাটা ফংলগা কিলোমিটর ৪০০গী অরাপ্পদা লৈবা টার্গেটশিং থুগাইবা ঙম্বগী শক্তি লৈ।

মসি গ্রাউন্দ-বেজনি, ক্রুজ মিসাইলশিং, বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিং, এয়ারক্রাফ, দ্রোন, অনমেন এরিয়েল ভেহিকল (য়ু এ ভি)শিং য়াওনা টার্গেট ময়াম অমবু দিটেক তৌবা, তান্নদুনা খোঙ্গুললিবা অমসুং কাপথবা ঙম্মি।

মসিনা বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিংবু টরমিনেল (কুথরকপা নৎত্রগা অমুকহন্না চংলকপা) তাঙ্কক্তা টার্গেট তৌবা ঙম্মি। সিষ্টেম অপূম্বসিদা মলটিফংসন রাদর অমা, ওতোনোমস দিটেক্সন এন্দ টরগেটিং সিষ্টেম, এন্টি-এয়ারক্রাফ মিসাইল সিষ্টেমস, লোঞ্চরশিং, কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর য়াওরি।

ইরাননা মখোয়গী নাতাঞ্জ ফেসিলিটিদা এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজশিং হাপচিল্লি ঃ আই এ ই এ

ভিয়েনা, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ য়ুনাইটেদ নেসনসকী ন্যুক্লিয়ার ৱাচদোগনা ইরাননা এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজশিং হাপচিনবগী থবক চত্থখ্রে হায়না ঙসি অরেপ্পা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী অকনবা লৈবাকশিংগা টেহরানগা তৌনখিবা ২০১৫গী য়ানরোল অদু কায়খিবা য়াবগা লোয়ননা ইরানগী খোঙথাং অদু চত্থরকখিবনি।

সেন্ট্রিফ্যুজশিং হাপচিনখ্রে নৎত্রগা হাপচিল্লি... ২২আই আর -৪, ১ আই আর -৫, ৩০ আই আর -৬ অমসুং ৩ আই আর ৬তা সেন্ট্রিফ্যুজশিং অদু ইষ্ট্রোল তৌখ্রে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙম্রে হায়না সেপ্টেম্বর ৭ থাংজ নুমিৎতা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ)না হায়খি।

য়ুরোপিয়ানগী অকনবা লৈবাকশিংনা ইরানবু অতোপ্পা তৌগদবা লম্বী অমত্তা পীরমদ্রে। মদুগী মহুৎতা ২০১৫ জোইন্ট কম্প্রেহেনজিব প্লান ওফ এক্সন (জে সি পি ও এ)গী মখাদা মখোয়না তৌগনি য়াখিবশিং অদুদগী খোঙফম হন্দোকপা তাই হায়না টেহরাননা য়ুরোপিয়ান পৱারশিং অদুদা হেক চৈখিবগী নোংঙানবদ আই এ ই এগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

সেন্ট্রিফ্যুজশিং অদু ইরানগী নাটাঞ্জ ফেসিলিটিদা ইনষ্ট্রোল তৌখ্রে হায়না আই এ ই এনা মসিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তাখি অমসুং সেন্ট্রিফ্যুজশিং অদু সেপ্টেম্বর ৭ অমসুং ৮দা য়ু এফ ৬ (য়ুরেনিয়ম হেক্সাফ্লোরাইদ)কা লোয়ননা অমত্তা টেষ্ট তৌখিদ্রবসু ইনষ্টোল তৌখ্রবা সেন্ট্রিফ্যুজশিং অদু লোয়নমক য়ু এফ ৬কী টেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে হায়খি।

সেপ্টেম্বর ৮ ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি অসিদা পীরকখিবা চিঠি অমদা ১৬৪ আই আর -৪ সেন্ট্রিফ্যুজশিংগী কাস্কেট অমা অমসুং ১৬৪ আই আর -২ এম সেন্ট্রিফ্যুজশিংগী কাস্কেট অমা লম্বী পীনবগীদমক মখোয়না আর এন্দ দি লাইন অনীদা পাইপ্পিং অদুসু ইনষ্টোল তৌরগনি হায়না এজেন্সি অসিনা খঙহল্লকখ্রে হায়না এজেন্সি অদুনা মখা তাখি।

‘এরিয়া ৫১’দা এলেন হন্টরশিং হুপচিনগদৌরি

ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেবদাদা লৈরিবা ‘এরিয়া ৫১’দা হুপচিন্নরক্কদৌরিবা মীওই লিশিং কয়া মায়োক্লনবা মফম অসিগী মনাক্তা লৈবা রাচেল কৌবা অপীকপা টাউন অমনা থৌরাং তৌখ্রে।

‘এরিয়া ৫১’ হায়রিবসি সুন্দ্রংদগী পাইরকপা শকখঙদবা অঙকপা থৰাইপানবশিং অমসুং য়ু এফ ও (অনআইদিন্টিফাইদ ফ্লাইং ওবজেক)শিং থল্লিবা মফমনি হায়না মীয়ান্না কন্না ঙাংনরিবা য়ু এস মিলিটরি বেজ অমনি।

এক্সট্রাটরেষ্ট্রিএলশিং অমসুং য়ু এফ ও শিং থম্মি হায়রিবা মিলিটরি বেজ অদুদা সেপ্টেম্বর ২০দা রেইদ চখনবা মালেমগী অকোয়বদগী মীওই মিল্লিয়ন ২ রোম হেনবনা মিং পীখৎনরকখ্রে। ‘ষ্টোর্ম এরিয়া ৫১’গী থৌরম অদুদা য়ু এস এয়ার ফোর্সকী ট্রেনিং তৌফম ওইরিবা অদুদা চংশিল্লক্তনবা এয়ার ফোর্সনা ৱার্নিং তৌখ্রে। হৌজিক এলেন থিম মোটেল চলাইরিবা কোন্নি ৱেষ্টনা শিনবা নুমিৎ হুন্নিগী ম্যুজিক ফেষ্টিভেল অমদা এলেন হন্টরশিং অদুগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনখ্রে।

মাওইষ্ট লালহৌবা লমদমদা অনুপ্রিয়ানা অহানবা নুপী পাইলোট ওইরে

মলকানগিরি, সেপ্টেম্বর ০৯(এজেন্সি)ঃ ওরিষ্যগী মাওইষ্ট লালহৌবা লৈবা মলকানগিরি দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ২৩ শুরবী অনুপ্রিয়া লাক্রানা শোখরবা লমদম অসিদগী অহানবা নুপী পাইলোট ওইরকখ্রে।

মহাক্না ইঞ্জিনিয়ারিং তম্বা লোয়শিন্দনা মরক্তা তোক্লগা ২০১২তা এভিয়েসন একাদমি অমদা য়াওরবগী মতূং চহী ৭কী মতূংদা পাইলোট অমা ওইনবগী মহাক্কী মঙলান অদু অশেংবা অমা ওইরকখিবনি।

হৌজিক ত্রাইবেলনা নমনা তাবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী নুপী অসিনা কো-পাইলোট অমা ওইনা প্রাইভেট এয়ারলাইন অমদা চঙননবা থৌরাং লোইখ্রে।

ওরিষ্য চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়কনা কথোকপা অমসুং থৌনাগী খূৎথাংদা তাঙলবা থবক অসি পাংথোকপা ঙমখিবগীদমক অনুপ্রিয়া লাক্রাবু নুংঙাইবা ফোঙদোকখি অমসুং মসিনা অতৈ নুপীমচাশিংগীদমক তমজনিঙাই খুদম অমা ওইরগনি হায়খি।

ওরিষ্য পুলিসতা হবিলদার অমা ওইবা মরিনিয়াস লাক্রাগী মচানুপী অনুপ্রিয়ানা হয়ার সেকেন্দরি লোইশিনখি। পাইলোট অমা ওইনিংবগী অপাম্বা অদুনা ভুবনেশ্বরদা ইঞ্জিনিয়ারি তম্বা তোকথোক্লগা ২০১২তা পাইলোট ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুটতা চংলকখি। মহাকপু প্রাইভেট এয়ারলাইন অমনা কো-পাইলোট ওইনবা খল্লকখ্রে অমসুং থুনমক মপান লৈবাক্তা পাইরবা য়ারি।

Santhel Bazar Indane
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

K & K Indane
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

Misao Gas Service
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

J Rongmei Sk Indane
Booking : 15/08/19
Valid : 11/08/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

M M Gas
Booking : Up to Date
Stk : 306, 5kg & 19kg Avail
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

Maibia Gas, Moirang
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

Hrangchal Gas
Booking : Up to Date
Stk : 288, 19kg Available
First Come First Serve

Hiyangthang Indane
Booking : 10/08/19
Sl. No. : 200
Valid : 05/08/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

T D K Gas, Sekmai
Booking : 04/09/19
Valid : 25/08/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

Yairipok Gas Service
Booking : 10/09/19
Valid : 01/08/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

Khumbong Indane
Booking : 10/08/19
Valid : 05/08/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

R B D Indane
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

Khoriphaba Gas, Nambol
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

Ashangbi Indane, Sugnu
Booking : 15/07/19
Valid : 08/07/19
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

Lamsang Gas Service
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

Athokpam Indane
Booking : 08/09/19
Valid : 29/08/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

সনা-সুদোকু - ২৩৬ গী সোল্যুসন

8	2	9	5	6	4	1	3	7
6	3	5	1	7	9	2	8	4
1	4	7	2	3	8	9	5	6
4	8	2	6	5	1	7	9	3
9	5	1	3	8	7	6	4	2
3	7	6	4	9	2	5	1	8
2	1	8	9	4	6	3	7	5
5	9	4	7	2	3	8	6	1
7	6	3	8	1	5	4	2	9

SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

Hard Sana Suduku-237

	9		6		5		1	7
6			1			5	2	
1	2		4					9
		1			2	7	9	
7		2		9			5	
	6			1	4	2		
	1		2		7			5
2		6		4				8
		7		5		1		